# গুজরাটতা এ এ পিগী লৈঙাক লাক্লবদি লৌমীশিংগী লোন লুপা লাখ ২/২ কোকপীগনি ঃ আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল

অহমদবাদ, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী অরোয়বা শরুক্তা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না এ এ পিদা থাজবা থমদুনা পৱার পীরবদি ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংদা তোল্লিবা লোনগী শেনফমশিংদগী লুপা লাখ ২/২ কোকপীগনি হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদমি পার্টিগী কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাললনা ফোঙদোরক্লি।



গুজরাটকী দ্বার্কা দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা কেজ্রিৱাললনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা করিগুম্বা এ এ পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি নোংমদা পুং ১২ গী ইলেক্ট্রিসিটি লেম্না পীগনি, লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং লৈঙাক্না মিনিমম সপোর্ট প্রাইজতা লৈগনি অমদি করিগুম্বা লৌমীশিংনা উরিবা লৌফম অদু অমাং অতা থোক্লবদি একর অমদা লুপা লিশিং ২০ গী কম্পেন্সেসন পীগনি হায়নসু লাউথোকখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা লেন্দ সর্ভেগী রুল হোঙদোক্তুনা অনৌবা সর্ভে অমা কম্মিসন তৌগনি অমদি নর্মদা দামগী কম্মান্দ এরিয়াশিং হেনগৎহন্দুনা ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা ফংনবা হোৎনগনি। লৈবাক অসিদা কৎথোকপগা লোয়নননা থবক শুরিবা মীওইশিং হায়রগদি লৌমীশিংনি। নোংজু নুংশা নায়দনা থবক শুরিবা লৌমীশিং অসিগীদমক্তা হান্না লৈরম্বা অমদি হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈতে। লৌমীশিংগী রাইটপু নমশিন্দুনা থল্লি। গুজরাটকী ওইনসু লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ঙসি ফাওবা ফংহন্দনা লৈরি। মসি লাইবক থিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শুপ্নতগী চহী ১০ খক্তং শুরিবা এ এ পিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা মতৌ করম্না শন্দোকপা ঙম্লিবনো হায়বা মায়কৈ কয়াদগী ৱাহংশিং হঙনরক্লি। মসিগী পাউখুমদি লৈবাক অসিগী কনা লৈজদ্রবা লায়রবা মীওই কয়ানা পার্টি অসিবু নুংশিবদগী অমদি থাজবা থমদুনা পীরকখিবা থৌজালশিং অদুননি। আম আদমি পার্টি মীয়ামগীদমক্তা লিংখৎখিবা পার্টিনি। পার্টি অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি কনা লৈজদ্রবা অমদি মতেং পাঙবীনবা লৈত্রবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদা অঙম্বা মতেং পাঙবা অমদি মখোয়গী ফঙফম থোকপা রাইটশিং অদু ফঙহন্নবা হোৎনবনি।

অমরোমদা, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিদা এটেক তৌরদুনা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱাললনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা গুজরাটকী মীয়াম্না মৈ লেম্না ফংবা পাল্লবা অমদি ফ্রি এদ্যুকেসন পাল্লবদি এ এ পিগীদমক লেপ্তুনা ভোট পীয়ু। অদুগা করপসন অমসুং গুন্দাইজমগী লৈঙাক পাম্লবদি হান্না লৈঙাক পায়রম্বা পার্টিশিংদা ভোট অদুম্মক পীবীয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি। পনবা য়াবদি চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা গুজরাটতা থুংখিবনি।

# মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা য়াদে হায়দুনা নুপী অমা ট্রেনদগী কাওথখ্রে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

য়াম্না তাঙনা থোকপা অমদি তাবদা নুংঙাইতবা থৌদোকশিংগী মনুংচন্না ঙরাং নুমিদাং মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী নুপী অমা অচেনবা ট্রেন অমদগী নুপা অমনা মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনবা মতমদা য়াদবদগী কাওথরল্লে হায়রি। অমদি হায়রিবা ভিক্টিম নুপী অদু অশোকপনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়রি।



লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা নুপী অদু মহাক্কী চহী ৯ লোম শুরবা মচানুপাগা লোয়নননা রেটকতগী মহাক্কী ময়ুম তোহানাদা হল্লকপগী লম্বীদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। নুপী অদুনা তোংলকখিবা ট্রেনগী দাভা অদুদা মীওই অহুম খক্তমক তোংলকখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা দাভা অদুদা তোংলকখিবা নুপা অমনা নুপী অদুবু মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনখি। মদুদা নুপী অদুনা য়াদবদগী ঙাইহাক মুক্নরবা মতুং অচেনবা ট্রেন অদুগী থোঙদগী নুপী অদুবু কাওথখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফটেহবাদ পুলিস চীফ অস্থা মোদিনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা লৈখিদ্রবী ভিক্টিম অদুগী মচানুপানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না নুপা অদুনা মহাক্কী মমাবু ট্রেনদগী কাওথখ্রবা মতুং নুপা অদুসু ট্রেনদগী মতোমতা চোংথহৌখি হায়রকপদগী থৌদোক থোকফম ওইরম্বা য়াই চিংনবা মফম অদুদা পুলিসকী টিম অমা চত্তুনা য়েংশিনখি। পুলিসনা মফম অদুদা চথখিবা থিহুম্বগী থবক্তা নুপী অদুগী ফীভম শোক্লা থেঙনবদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক নুপী অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। মদুগী মতুং মখা তানা পুলিসনা চথখিবা থিহুম্বগী থবক্তা ঙসি অয়ুক থৌদোক্তুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনরিবা মীওই অদুসু থেঙনখি। মহাকসু শোক্তুনা লৈরম্বদগী পুলিসনা ট্রিটমেন্টগীদমক হোস্পিটালদা পুখৎখিবগা লোয়নননা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

# দেল্লিগী শরুক খরদা অকনবা নোং চুবদগী অমাঙ অতা থোকহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী) :

দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা শরুক খরদা ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরগা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা পোৎচৈ কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়নননা শাবগী চাং খঙহন হন্থরকখ্রে হায়রি।


হীরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা মরুওইনা ইন্দিয়া গেট, অক্সরধাম, দিওবন্দ, মুজাফর নগর, খতাওলি অমসুং সিকরপুরদা ময়ায় ওইরপ কনবা নোং চুরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

ঙরাংদগী হৌরগা চুখিবা নোং অদুনা দেল্লিদা হান্না লৈরম্বা শাবগী চাং খঙহন হন্থহন্দুনা সেলসিয়স দিগ্রি ২৭.১ য়ৌনা হন্থখি। অমরোমদা, দেল্লিদা হন্দকসু নোং অদুনা মরম ওইরগা মুজাফ্ফর নগরদা লৈবা লম্বীগী পোষ্ট কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

# থা অসিগী অরোয়বা শরুক্তা অমিট সাহা কাস্মিরদা চৎকনি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

থা অসিগী লোয়শিল্লকপদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা ভিজিট তৌবগা লোয়নননা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা পব্লিক রেল্লিশিংদসু ৱা ঙাঙগনি হায়না বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় অসিনা ফোঙদোকখিবদা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী ঙমখৈ শরুক্তা পায়খৎলিবা দিভেলপমেন্টগী ওইবা থবক থৌরমশিং য়েঙশিন্নবগীদমক মহাক মফম অদুদা চৎকনি। মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগীদি য়াম্না মরু ওইবা খোঙচৎ ওইগনি। চহী অসিগী মার্চ ১৮ অমসুং ১৯ দা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী রাইজিং দে থৌরমদসু শরুক য়াখি।

চহী অসিগী অনীরকশুবা খোঙচৎ ওইনা মহাক্না জম্মু অমসুং কাস্মিরদা চৎকদৌরিবা অসিদা জে এন কে বি জে পি য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট রবিন্দর রাইনা অমদি অতোপ্পা বি জে পিগী মকোক থোঙবশিংগা উন্নদুনা বোর্দর দিভেলপমেন্ট ৱার্ক অমদি ইলেক্সনগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী ভেটরান লিদর গুলাম নবি অজাদনা কোংগ্রেসতগী তোক্লবা মতুং জম্মু অমসুং কাস্মিরদা হল্লক্তুনা মহাক্কী ওইবা পার্টি অমা লিংখৎনবা হোৎনরকপা অমদি হান্না লৈরম্বা মহাক্কী সপোটরশিং অমুক তাশিন খোমজিনবগী থবক হৌরকপনা মরম ওইরগা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি চাওনা খুদোঙচাদবা মায়োক্নরবা য়ানা লৈরি।

# এন সী আর বিনা ফোঙখিবা রিপোর্ট চাদা ৫০ লাল্লি ঃ গেলোট

জয়পুর, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোনা মমাঙ চহীগী ওইনা ফোঙখিবা মখোয়গী ওইবা রিপোর্টতা লৈবাক অসিগী ওইনা রেপ কেস খ্বাইদগী মশিং য়াম্না থোকখিবা ষ্টেট অসি রাজস্থাননা ওইরি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা এস সী আর বিগী রিপোর্ট অদু চাদা ৫০ লাল্লি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

রাজস্থান পুলিস একাদেমিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নুপীশিংদা মীওৎ মীনৈ চথবগী চাং য়াম্না ৱাংই হায়রিবসি মরম চাবা ৱাৎলি। পুলিসনা চথবা ক্রাইমগী মশিং হান্নদগী হেনগৎলক্লি হায়রিবা অদুগী মতাংদদি য়েঙশিল্লি। এন সী আর বিগী রিপোর্টতা পল্লিবা রেপ কেস মশিংগা ষ্টেট অসিদা রেজিষ্টর তৌরকপা মশিংগা চাদা ৫০ হেন্না খেন্নে হায়রি।

# বি জে পিগী মায়োক্তা ৱাকৎনবগীদমক এ এ পিগী লুচিংবশিংনা প্রসিদেন্টগা উন্নরগনি ঃ রিপোর্ট

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা আম আদমি পার্টিগী মেম্বর কয়া য়াল্লবা শেনফমশিং পীরগা লৈনবা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা অমদি ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংদা অকি অখং পোকহনবা য়াবা থবক থৌরম কয়া চত্থরিবা অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুদা ৱাকৎলগনি হায়না এ এ পিনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এ এ পিনা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাললনা লুচিংবা টিম অমনা প্রসিদেন্টগা উন্নরগনি। উন্নবা অদুদা মরুওইনা বি জে পিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিংবু অরানবা মওংদা শীজিন্নরিবা অমদি বি জে পিদা য়াওরক্নবগীদমক এ এ পিগী এম এল এ খরদা লুপা ক্রোর ২০/২০ পীগে হায়না হোৎনরম্বা অদুগী মতাংদা পাউদমগনি। বি জে পিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিং লান্না শীজিন্নবগী ময়েক লারবা খুদমদি লিকর পোলিসিগী মিংদা দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসল রেসিদেন্সতা মরম চাদনা রেড চত্থখিবা অদুনি হায়রি।

অমরোমদা, এ এ পিগী রাজ্য সভা মেম্বর রাগব চাদানা ফোঙদোকখিবদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী পোপুলরিটি ৱাংবা হেনগৎলকপগী মতিক বি জে পিনা সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী শীজিন্নদুনা ওপোজিসন লিদরশিংদা কিহন খঙহনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি হায়রি।

# পি এমনা আই এন এস ভিক্রান্টকী মায়খুম হাঙদোকখ্রে

কোচি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ানা ইহান হান্না দিজাইন তৌদুনা শাজবা লৈবাক অসিগী অহানবা এয়রক্রাফট কেরিয়র আই এন এস ভিক্রান্ট অমুক হন্না শেমদোক শাদোক্তুনা অমদি অহেনবা টেক্নোলোজি কয়া হাপচিল্লবা মতুং ঙসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মায়খুম হাঙদোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা নুমিৎ অমনি। মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমা ওইরে। ঙসি মায়খুম হাঙদোক্লিবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অসিনা এয়রক্রাফট ৩০ অমদি হেলিকোপ্টর কয়া ওপরেট তৌবা ঙম্লি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ১৯৭১ দা থোকখিবা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান লানদা হায়রিবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি।

# কোভিদকী অনৌবা কেস ৬,১৬৮ থেংনখি ২১ শিখি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৬,১৬৮ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২১ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৬,১৬৮ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৪,৪২,৫০৭ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৫৯,২১৯ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ২১ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৭,৯৩২ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৬৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১৩ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ২১২.৫২ কাপখ্রে। মখা তানা কাপথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।


## T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.50/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 11.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges:
2000 Brick, Rs. 800/-
1500 Brick Rs. 600/-

First Come First Serve

Contact No. 8119002731/7005658426

(HL-P/3755/1/9-29/9 (alt



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Vide Mutation Case No. 686 of 2022.**

Thounaojam Apanajit Singh S/o (L) Th. Achouba Singh of Utlou Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Thounaojam Achouba Singh S/o (L) Th. Gouro Singh of Utlou Mayai Leikai. -O.P

ꯆꯦꯅꯥꯀꯦ / **NOTICE**
Dated 01/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুন নং ১৬-উতলৌ খুনগী পাট্টা নং ১৭২/৫৫৬ (অনৌবা) দাগ নং ১১১২/১৩৭০ এরিয়া ০.১৭ একর চাওবা ইশ্মোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/4010/03



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mutation Case No. 278 of 2022.**

Oinam (O) Ibemcha Devi W/o (L) O. Biren Singh of Oinam. -Petitioner

-Vs-

(L) Oinam Biren Singh S/o O. Chandra Singh of Oinam. -O.P

ꯆꯦꯅꯥꯀꯦ / **NOTICE**
Dated: 02/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুন নং ৩০-ওইনামগী পাট্টা নং ৭০৫ (অনৌবা) দাগ নং ৬৫৪ এরিয়া একর ০.২০ চাওবা ইশ্মোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Oinam

HL-P/4015/03



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Vide Mutation Case No. 277/SDC/Oinam of 2022.**

(1) Ahongshangbam Premananda S/o (L) A. Nillamani Meitei of Keinou Thongkha Makha Leikai. (0.10 acre)
(2) - do - (N) Moirangthem (O) Memtombi Devi D/o (L) A. Iboton Singh & W/o M. Doren Singh of - do - (0.05 acre) -Petitioners

-Vs-

(L) Pebam (N) Ahongshangbam (O) Indumukhi Devi W/o A. Iboton Singh of Keinou Thongkha Makha Leikai. -O.P

ꯆꯦꯅꯥꯀꯦ / **NOTICE**
Dated: 02/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুন নং ৩২-কৈনৌ খুনগী পাট্টা নং ১১৫৮/১৭৩৩ (অনৌবা) দাগ নং ১২০৩/১৩৮০ এরিয়া ০.১৫ একর চাওবা ইশ্মোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মাগী মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Oinam

HL-P/4015/03



## ꯊꯕꯛ / JOB OPENING

Application is invited for Senior Officer as relationship Manager at leading Nationalised Bank enrol today.

**No. of Vacancies:15**
**Posting : Manipur**
Walk in-date :
**08-09-2022**

Qualification : Any Graduate
(Final year can also apply)
Salary : Starting Rs. 25,000 to Rs. 40,000
(with PF. Gratuity, Medication, Bonus, etc)
Age below 26 years

Contact and visit us
8794758218 #

*For more datail :*
**HRC Keishampat Opp. Oil Pump, Imphal**
***www.hrcindia.co.in***

HL-P/4012/3,6



## ꯃꯤꯍꯥꯏ / WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS JOB.

| Sl.No. | Post | Vacancy | Experience | Salary/Negotiable |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Skilled Labour | 10 | 2 years | 10K to 25K |
| 2. | Helper | 5 | Nil | 5K to 8K |

***Document Required :-*** Bank Details, Aadhaar card xerox copy. Only Male Candidate and should be Domicile of Manipur State. Weekly salary payout policy. Age 18 to 35.

***Contact :-*** **N. TENNYSON** M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE

Authorised Franchisee of Elgi Rubber Company Limited. Kooltread Precured Retreading System. H.O. Sagolband Tera Bazar Imphal West- 795001.

HL-P/3754/1-7/9



## ESCENT INSTITUTE

of Paramedical Sciences & Skill Development

# ADMISSION OPEN FOR PARAMEDICAL COURSES

AVAILABLE COURSES

MEDICAL LABORATORY TECHNOLOGY (B.Sc. MLT / DMLT)

RADIO IMAGING TECHNOLOGY (B.Sc. RIT / DRIT)

OPHTHALMIC TECHNOLOGY (DOpT)

PHYSIOTHERAPY (DPT)

AFFILIATED WITH Manipur University & Paramedical Council of India

Ample JOB OPPORTUNITIES in reputed hospitals and laboratories for a SUCCESSFUL CAREER.

Career ready courses with hands-on experience in an NABL accredited laboratory with the latest facilities.

All courses include IN-HOUSE INTERNSHIP PROGRAM and IN-HOUSE PRACTICALS FACILITIES.

HEAD OFFICE
Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005

INSTITUTE
Sangaiprou, Airport Road, Imphal West, Manipur 795001

+91 8770 412 916 +91 9774 677 371
+91 9862 619 063 +91 9678 775 752

www.escentinstitute.com

HL-P/3658/12/8-12/9



## ***ADMISSIONS OPEN***

FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !**

**STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE**

*** COURSES OFFERED: ***

**(1). BDS Fees Structure :** 16 Lakhs Package.

**(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :**
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.

**(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :**
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.

**(4). B. Pharmacy Fees Structure :** 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.

**(5). MSc Nursing Fees Structure :** 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.

**(6) GNM Fees Structure :** 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).

**CONTACT US: 8310788408, 9362331862.**

**REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.**

HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31 Sept